# ভোল্লিবোল পামজবা লৈকায়দা পোক্লুবনা ঐসু পীক্লিঙৈদগী গেম অসি শান্ননিংলকখি ঃ এল মেঘচন্দ্র

অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং রত্নেশ্বরি গোশ্বামী



এল মেঘচন্দ্র
(ভেটরান ভোল্লিবোল প্লেয়র)



মণিপুর পুলিস টিম, ১৯৭৩

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২০ ঃ

কোসমোগী ভোল্লিবোল শান্নরোয় অমা ওইনা মতম শাংনা ভোল্লিবোলদা লুপশিন্দুনা লাকখিবা মীওই অমা ঙসি উনজরুই। ভোল্লি শান্নবা মখোল তাবদা য়েংনীংবনা কোংবা শৌদোংবুঙ লম্পাক্তা ইতৎ তত্তনা চেল্লকখিবা সেনিয়র প্লেয়রশিংনা শান্নবা তুমিন তুমিন য়েংলকখিবা মীওই অমা ওইনা লাইশ্রম মেঘচন্দ্র য়াওরকখি।

কুমজা ১৯৫৪ গী নবেম্বর ১২ য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ৱাংখৈ থাংজম লৈকায়দা লৈবা লাইশ্রম কোকঙাঙ অমদি লাইশ্রম ওংবী অপানবী দেবীগী অহুমশুবা মচা ওইনা লাইশ্রম মেঘচন্দ্র (মচিন মনাও নুপা অহুম নুপী অনী) তাইবঙদা খোঙদারকখি।

হৌখিবা মতমগী পুন্সি ৱারী লীরদুনা ভোল্লিবোল শান্নরকখিবগী মতাংদা ভেটরান শান্নরোয় অসিনা অসুম্না পাউদমলকখি, ঐঙোন্দা ভোল্লি শান্ননীংবগী ইহুল অমা পীরকখিবসিদি কোংবগী শৌদোংবুঙ লম্পাক্তা শান্নরম্বা অহল্লোনশিং অদুননি। ঐখোয়না পুংকক চাউরকপা মতমসিদগী ভোল্লি শান্নবসি উরকখ্রে। ময়াম মরকসিদা ঐগী মাম্মা থোকপা লৈশাংথেম ইনাও (খেলেন্দ্রো) গী মতুং ইন্দুনা অহলশিংনা শান্নবগী বোল খুনবা, শান্নবা লোইরগা নেট লোইশিল্লগা থুপচিল্লগা পুরকপসি তৌরকখ্রে।

বোলগা নেটকা পায়দুনা হেক হেক পুরকখিবা অসিনা ঐঙোন্দা ভোল্লিবোল প্লেয়র অমা ওইগে হায়বসি খলহল্লকখ্রে। ভোল্লি শান্ননিংবগী ৱাখল পোল্লকপদগী মাম্মা ইনাওগী মনাক্তা নকশিন্দুনা কোইইন ইন্নরকখি। করিগুম্বা তাঞ্জা হেক ফংবদা বোলদু অহলশিংনা তৌবগুম খূৎশানা কাপ্তুনা শান্নরকখি। ইথন্তা ৱাংনা ৱাংনা লংখৎলগা খূদাংনা ফাদুনা হৈননবসু হোৎনরকখি। অদুম হায়না শান্নবদুদা মাম্মা ইনাওসিনা থোরক্লগা থওইনা ভোল্লিসি খূৎশানা করমহাইনা কাপকনি হায়বসি তাকপীরকখি। কাপকে হায়রবদি খূৎশাদু খিত্তং ফন্দোক্লগা বোলদু ফ্রিলি কাপকদবনি হায়না তম্বীরকখি। হৈনিংনা হোৎনবনিনা তাকপগা হৈবগা অদুম মান্নখি। খরা খরা শান্নবা হৌরকখিবসি ৱাংখৈ বোইজ স্কুলদা ক্লাস আইট তম্বা মতমসিদগীনি। অদুগা মৈতৈ ময়েক স্কুলদা ক্লাস নাইন কারকপা মতমসিদদি শান্নবগী মওং মরিন অমা খঙবা হৌরকখ্রে। ইনখৎলকপা মতমসিদা ভোল্লিদা অদুম লুপশিনখ্রে। ভোল্লি মখোল তাবদা লাইরিক লাইশুগী ৱাখল ফাওবা নাথৈরকপা মতাং লাকখি।

লাইরিক্তা পূক্নিং চঙবা ৱাৎপদগী মেট্রিকসু অনীরক্তা লাল্লকখি। ভোল্লিদা খরা কন্না ইনখিবদগী লাইরিক্তদি খরা শোল্লকখি। কুমজা ১৯৬০/৭০ গী মতমসিদা মণিপুরগী ওইনা ভোল্লিদা মমিং লৈখিবা মীওই পূম্নমক শৌদোংবুঙ লম্পাক্তা লাকখিদবা ইয়াও য়াওখিদে। মমাঙঙৈদদি শান্নরোয় পুল্লপ পুল্লপ চৎলগা পূন্না মফম অমদা শান্নমিন্নবসিসু য়াম্না তৌনরম্মী। অয়ূক ঙন্না লাক্লগা চাবা থকপা খঙদনা অদুম শিংনদুনা শান্নবসি চৎনবী ওইরম্মী। হৈরাঙ্গোইথোংগী তা দেবেন, তা বসন্ত, বামোন লৈকায়দগী তা ইন্দ্রমনি, ওজা আর সি শর্ম্মা, ককৱাগী তা গৌরো অৱাংবা... মখোয়সু লোইনা লাক্লগা শান্নমীন্নরকখি। লাক্লিবা অহলশিংদুসু কোসমোগী শান্নরোয়শিং অদুগা তোৎশিন্নরগা অৱা অনা, অরাম খৌরাংবগা অমত্তা ফাওনদনা পংশান্দা শান্নরগা অদুম লৈ। অঙাং ওইরিঙৈদুদা অহল লমনশিংনা শান্নবা তোইনা উরকপসু য়াম্না কান্নখি। ঐখোয়গী কোচ হায়রগদি সেনিয়র প্লেয়র ময়াম অদুনি। কুমজা ১৯৭০ গী মতমসিদা জুনিয়রগী ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট তৌরনি হায়দুনা লাংনরকখি। টুর্নামেন্ট শান্নবা ফংদৌরে হায়দুনা মতমদুদা ওন্থোক্লা হরাওখি। কুমজা ১৯৭০ দুদা জুনিয়রদা থোক্তুনা শান্নবা হৌরকখি।

অদুগা পুন্সিগী ওইনা ইহান হান্না মপান দা চৎতুনা শান্নবা ফংলকখিবসিনা "১৬ শুবা নেসনেল স্কুল গেমস" (ৱিন্টর মীট) ত্রিবান্দমদা কুমজা ১৯৭০ গী দিসেম্বর ২৮ দগী কুমজা ১৯৭১ গী জানুৱারি ১ ফাওবা পাঙথোকখিবা অসিদগীনি। ঐখোয়দি ভোল্লিবোল কাবক কাবক হৈরকপগা লাকপনিনা অদুক কন্না পার্ফোমেন্স ফজবা ঙমখিদে। ত্রিবান্দ্রমদা শান্নরল্লিবা ষ্টাইলদুদি য়াম্না ষ্টেন্দর্দ লৈরম্লে। স্কুল গেমস ওইরগসু ভোল্লি মশক খঙনা শান্নরম্লে। কেরলাগী অৱাংবা প্লেয়রশিংনা ৱাংনা ৱাংনা চোংখৎলগা শেৎ শেৎ ফুন্দরকপদু ঙসি ফাওবা কাওদ্রি। কেরলাগী স্কুল টিমদা জিম্মী জোর্জ হায়বা অমগা জোর্জ জোর্জ হায়বা অমগা ফজনা শান্নখিবগী হৌজিকসু মমিং নীংশিংলি।

-মথং-মথং

# রাসমনি মেমোরিএল সভেন এ সাইদ হোকি টুর্নামেন্টকী অহৌবা মেচতা এ আর সি শিল্লোং মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২০ ঃ য়ুথ ক্লব কম ইনফোর্মেশন সেন্তর কোন্থা অহল্লুপনা শিন্দুনা ঙসিদগী মরিশুবা ৱাই রাসমনি মেমোরিএল ইনভাইটেসন সভেন এ সাইদ মেন'স ওপন হোকি টুর্নামেন্ট ২০১৬ কোন্থা অহল্লুপ্তা লৈবা ইবুধৌ মারজিংগী গ্রাউন্দদা টিম ১২ না গ্রুপ অনীদা শরুক য়াদুনা চথবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি ঙসি নুংথিল সাইকুল কেন্দ্রগী এম এল এ য়মথোং হাওকিপ, হৈঙাং কেন্দ্রগী এম এল এ নোংথোম্বম বিরেন অমসুং সাইকোট কেন্দ্রগী এম এল এ টি এন হাওকিপনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি গ্রুপ এদা হোকি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকায়, এ আর সি শিল্লোং, এস আর য়ু সি উচেক্কোন খুনৌ, ফাম ইম্ফাল, মৈরা বাসিখোং অমসুং ৱাই সি পি এ নাগালেন্দনি। গ্রুপ বিদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি বি দি ঐচ এ বিষ্ণুপুর, য়ঙ রাইনো, ৱাই সি সি আই সি কোন্থা অহল্লুপ, কে ঐচ এস সি খোংমন, সিয়ো শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকায় অমসুং এ বি সি বাসিখোংনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহৌবা মেচতা এ আর সি শিল্লোংনা ৱাই সি সি আই সি কোন্থা অহল্লুপ গোল ৯-২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা এ আর সি শিল্লোংনা পেনালটি কোর্নর ৭ ফংখিবদা গোল ৩ ওন্থোকপা ঙমখি। মায়থীহৌরবা ৱাই সি সি আই সি কোন্থা অহল্লুপ্না পেনালটি কোর্নর অনী ফংখিবদা গোল অমত্তা ওন্থোকপা ঙমখিদে। এ আর সি শিল্লোংগী গোলশিং অদু হোলেন্দ্রোনা গোল অহুম মেচকী ১৭, ২৮ অমসুং ৩০ শুবা মিনিটতা চনখি। হেমজিৎনা গোল অনী মেচকী ৫৮ অমসুং ৬৮ শুবা মিনিটতা চনখি। বন্তিনা গোল অমা মেচকী ২০ শুবা মিনিটতা, সি বোরোনা গোল অমা মেচকী ৩৭ শুবা মিনিটতা, লালরিংহেতানা গোল অমা মেচকী ৪৩ শুবা মিনিটতা অদুগা অরুন্না গোল অমা মেচকী ৪৯ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা ৱাই সি সি আই সিগী অহানবা গোল সনাথোইনা মেচকী ২২ শুবা মিনিটতা অদুগা মামুনা গোল অমা মেচকী ৫২ শুবা মিনিটতা চনখি।

# সি আর পি এফকী ইন্টর বটালিয়ন/গ্রুপ সেন্তর বাস্কেটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ৱিন্নর ৩২ বটালিয়ন্না ওইখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২০ ঃ ৩২ বটালিয়ন সি আর পি এফ কোম কৈরাপ লোক্তাক্লা শিন্দুনা বটালিয়ন অসিগী লোক্তাক্তা লৈবা হেদ ক্বার্টরদা চথরকপা ইন্টর বটালিয়ন/গ্রুপ সেন্তর বাস্কেটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ ঙসি লোইশিনখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৭ না শরুক য়াদুনা হৌখিবা তাং ১৮ দগী চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অদুদা শরুকয়াখিবা বটালিয়নশিং অদুদি গ্রুপ সেন্তর সি আর পি এফ ইম্ফাল, ৩২ বটালিয়ন, ৬৯ বটালিয়ন, ৮৬ বটালিয়ন, ৮৭ বটালিয়ন, ১০৯ বটালিয়ন অমসুং ১০৪ বটালিয়ননি।

টুর্নামেন্ট অসি হৌখিবা তাং ১৮ দা ৩২ বটালিয়ন সি আর পি এফ লোক্তাক্কী সেকেন্দ ইন কম্মান্দ এন রনবিরনা হৌদোকখি। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা বটালিয়ন অসিগী সেনিয়র ওফিসরশিংসু শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি লোইশিনবগী থৌরম দি আই জি পি ইম্ফাল রেঞ্জ সি আর পি এফ এস কে রায়না চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা ৮৬ বটালিয়ন সি আর পি এফকী কম্মান্দেন্ট জয়ন্ট কুমারনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা ৩২ বটালিয়ন সি আর পি এফনা ৮৬ বটালিয়ন সি আর পি এফপু মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি। মায়থীহৌরবা ৮৬ বটালিয়ন সি আর পি এফনা রন্নর্স-অপ তাখি।

# লিওনেল মেসিনা গোল ৩০০ চন্দুনা পুৱারী শেমখ্রে



ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারি ২০ ঃ

বার্সেলোনাগী ষ্টার প্লেয়র লিওনেল মেসিনা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা স্পেনিস লীগ লা-লীগাদা গোল ৩০০ চনবা ঙম্বা অহানবা প্লেয়র ওইবা ঙমদুনা পুৱারী শেমখ্রে।

স্পোর্টিং গিজোনগী মায়োক্তা শান্নখিবা মেচ অদুদা লিওনেল মেসিনা মেচকী ২০ শুবা মিনিটতা য়ার্দ ২৫ লাপ্পা মফমদগী শাফু কন্না কাওশিনখিবা বোল অমনা গোল ওন্থোক্তুনা মহাক্কী ৩০০ শুবা গোল ওইখি। লোয়ননা মেচ অদুদা মেসিনা অনীশুবা ওইনা চনখিবা গোল অদুনা বার্সেলোনা ক্লবকী ১০,০০০ শুবা গোলসু ওইখি।

থা অসিগী ৮ দা বার্সেলোনা এফ সিনা মেসিনা হৌখিবা দিসেম্বর থাদা মায়োক্লখিবা মহাক্কী কিদনিগী অনাবা অদুগী মতাংদা অশেংবা অমা খঙনবা টেষ্টশিং তৌদুনা য়েংথোক্কনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। মহাক্কী কিদনিগী অনাবা অদুনা মরম ওইদুনা হৌখিবা দিসেম্বর থাদা শান্নখিবা ফিফা ক্লব ৱর্ল্ড কপ সেমী ফাইনেলদা মেসিনা মহাক্কী টিমগীদমক শান্নবা ঙমখিদে।

মশাগী চহী ২৮ শুরবা মেসিনা মহাক্কী অনাবা অদুবু করিসু খল্লুবা তৌদনা নুমিৎ হুমনি লৈরগা ফাইনেলদা শরুক য়াদুনা টিমগী অহানবা গোল চনখিবগা লোয়ননা অর্জেন্টিনাগী রিভর প্লেটপু ৩-০ দা মায়থীবা পীখিবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। ফিফাগী ৱর্ল্ড প্লেয়র ওফ দ ইয়রগী এৱার্দ মঙারক ফংখ্রবা মেসিনা বার্সেলোনা ক্লবকীদমক অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লিবনি।




# রাজু মেমোরিএল সভেন এ সাইদ ফুটবোল

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২০ ঃ কোঞ্জেংবম রাজু মেমোরিএল ত্রষ্টনা শিন্দুনা সাইরেম খুলদা চথরিবা মঙাশুবা কোঞ্জেংবম রাজু মেমোরিএল সভেন এ সাইদ মেন'স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেচতা পাৎশোই (এম এস এস), এফ সি খাবি, কিয়াম মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা পাৎশোই (এম এস এস) না সলাম গোল ৯-০ দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা মেচতা এফ সি খাবিনা ফয়েং গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীখি। অহুমশুবা মেচতা এ ৱাই সি টিম বি অতোং খুমন অমসুং লুকের গোল ৩-৩ দা দ্রো ওইখ্রে। মরিশুবা মেচতা কিয়াম্না হৈক্রুজম গোল ৪-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

হয়েং অহানবা মেচ অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা এস পি দল্লিয়ু সি সাইরেম খুল অমসুং এ ৱাই সি টিম এগা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ অয়ূক পুং ৮.৩০ তাবা মতমদা পাৎশোই (এম এস এস) অমসুং কোন্থৌজমগা শান্নগনি। অহুমশুবা মেচ নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবা মতমদা কোরমেট অমসুং তাকয়েল য়ুনাইটেদকা, মরিশুবা মেচ নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা অৱাং খুনৌ অমসুং এ ৱাই সি টিম বিগা শান্নগনি।

# এফ সি লমলাইনা আর য়ু বি মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২০ ঃ

চালৌ য়ুঠ য়ুনিয়ন ক্লব (সি ৱাই য়ু সি) চালৌনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা ৬ শুবা লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন'স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট চালৌ কপ ২০১৬ দা এফ সি লমলাইনা ফাইনেল চঙবা ঙম্বা অহানবা টিম ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা এফ সি লমলাইনা আর য়ু বি পুংদোংবম গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীদুনা এফ সি লমলাই ফাইনেল চঙখিবনি। এফ সি লমলাইগী মখূৎতা মায়থীহৌরবা আর য়ু বি পুংদোংবম ফাইনেল চঙবা ঙমদনা টুর্নামেন্ট অসিদগী নীংবা কায়না লৈহৌরে।

মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা এফ সি লমলাই অমসুং আর য়ু বি পুংদোংবম অনীগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্ম খিদে। মেচ অদুগী অঙনবা শরুক্তা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নরবসু তপ্না তপ্না এফ সি লমলাইগী শান্নরোয়শিংনা লাকশিল্লক্তুনা গোল মথং মথং চনশিনখি।

মেচ অদুদা আর য়ু বি পুংদোংবম মায়থীজরবসু মেচকী য়াম্না ঙল্লিঙৈ অনীশুবা মিনিটতা আই খেলেম্বনা গোল একাউন্ট হাংদোকখি। আর য়ু বি পুংদোংবম্না গোল অমা হেক মাঙজিল থাখিবগা গোল শোথরিবা এফ সি লমলাইগী শান্নরোয়শিং অদুনা গোল হন্দোক্তবা য়াদে হায়বগী অচেৎপা ৱাখল্লোন্দা য়াম্না কন্না শান্নরকপনা মেচকী ২৬ শুবা মিনিটতা টি ঐচ সুনিলনা গোল ইক্বেলাইজ তৌখি।

টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং মেচকী ২৯ শুবা মিনিটতা ঈ অবোচানা টিমগী অনীশুবা গোল অদুগা কে ঐচ অনোসনা টিমগী অহুমশুবা গোল মেচকী ৩৩ শুবা মিনিটতা চনখি। অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ হয়েং এস টি পি সেক্তা টিম এ অমসুং এন ঈ ৱাই ও সঞ্জেনবমগা শান্নরগনি।

# ৱাই আই সি টিম বিনা ক্লাসা এফ এ মায়থীবা পীদুনা থার্দ প্লেস তাখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২০ ঃ য়ুঠ ইন্টিগ্রেশন ক্লব (ৱাই আই সি) কৈশামথোং মনিং লোংজম লৈকায়না শিন্দুনা ৱাই আই সিগী গ্রাউন্দদা টিম ১২ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা চথরিবা অহানবা ৱাই আই সি অন্দর-২১ ফোর এ সাইদ মেন'স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী থার্দ প্লেস ৱাই আই সি টিম বি কৈশামথোং মনিং লোংজম লৈকায়না তাখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা থার্দ প্লেসকী মেচ অদুদা ৱাই আই সি টিম বিনা ক্লাসা এফ এ কৈনৌ টাই ব্রেক্তা গোল ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা ৱাই আই সি টিম বিনা থার্দ প্লেস তাখিবনি।

মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা মেচকী নোর্মেল টাইমদা গোল ৩/৩ চপ মান্ননা চন্নখি। তুংদা টাই ব্রেক্তা ৱাই আই সি টিম বিনা গোল ৪ চন্দুনা টিমগী পূন্না গোল ৪ চনখি। ক্লাসা এফ এনা টাই ব্রেক্তা গোল অনীদগী হেন্না চনবা ঙমদনা পূন্না গোল ৫ দা লৈদুনা মেচ মায়থীহৌখিবনি।

মেচ অদুদা ৱাই আই সি টিম বিগী অহানবা গোল লোয়াঙম্বনা মেচকী ২ শুবা মিনিটতা চনখি। মহাক্না অমুক হন্না টিমগী অনীশুবা গোল মেচকী ৪ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অহুমশুবা গোল জেমসন্না মেচকী ১৩ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ মায়থীহৌরবা ক্লাসা এফ এ কৈনৌগী অহানবা গোল সি ঐচ প্রিয়োবর্ত্তনা মেচকী ২৯ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা গোল আই রোবিনসন্না মেচকী ৪১ অমসুং ৪৪ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুগী টাই ব্রেক্তা ৱাই আই সি টিম বিগী গোল মরি অদু লোয়াঙম্বা, জেমসন, লনচেনবা অমসুং নিতেশ্বরনা চনখি। ক্লাসাগী গোল অনী অদুনা রোবিনসন অমসুং বুগেশ্বরনা চনখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল হয়েং নুংথিল ঐচ এল সি অমসুং এন এফ সিগা শান্নরগনি।




# এসিয়া কপকী স্কাদতগী শামি লৌথোকখ্রে, ভুবনেশ্বরনা মহুৎ শিনখ্রে



ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারি ২০ ঃ

পেস বোলর মোহম্মেদ শামিবু মহাক্কী ওইগী হামষ্ট্রিংদা শোকখিবা অদু ফগৎলক্তবদগী ইন্দিয়াগী খনগৎখ্রবা এসিয়া কপকী স্কাদতগী লৌথোকখ্রে অদুগা মহাক্কী মহুৎতা ভুবনেশ্বরবু স্কাদতা হাপচিনখ্রে।

সন্দীপ পটিলনা লুচিংবা নেসনেল সেলেক্সন পেনেলনা শামিগী মহুৎতা ভুবনেশ্বর কুমারবু শিন্দোকখি।

শামিগী শোক্তুনা লৈরিবা ওইনাগী হামষ্ট্রিং অদু ফগৎলকপ্রা হায়না মতম পীদুনা য়েংদুনা লাকখ্রবসু মহাক্কী অশোকপা অদু ফগৎলক্তবদগী মহাকপু লৌথোকপগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি হায়না বি সি সি আইগী চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্কী মশাগী অশোকপনা মরম ওইদুনা মশা ফিট ওইদ্রিবা অসি সেলেক্টরশিংনা য়ামদ্রবদা চয়োল খরগা অমুক য়েংদুনা মহাকপু মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড টি ২০ গী খুদোংচাবা পীনবসু থৌরাং তৌরি।

শামিনা দোমেষ্টিক্কী ৱান দে কম্পিটিসনগী গ্রুপ ষ্টেজদা অফবা পার্ফোমেন্স পীখিবদগী সেলেক্টরশিংনা মহাকপু মমাঙ থাদা ওষ্ট্রেলিয়াদা পাঙথোকখিবা ও দি আই সেরিজদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়ন স্কাদকীদমক খনগৎখি। অদুবু ইন্দিয়ন টিমনা ওষ্ট্রেলিয়াদা থুংখিবা পুং অমরোম লৈরগা অনাবদু হৌরক্তুনা টিম অদুদগী লৌথোকখিবনি।

# শগোল কাংজৈ, অরাম্বাই অমসুং পোলো মশান্না উৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২০ ঃ

মণিপুরগী পুৱারীগা তৎন থানবা য়াদ্রবা শগোল কাংজৈ, অরাম্বাই অমসুং মোর্দন পোলোগী একজিবিশন মেচ অমা ঙসি ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা উৎখ্রে।

৫৭ মাউন্টেন দিভিজন্না স্পোন্সর তৌরগা মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএশন্না শিন্দুনা ঙসি পাঙথোকখিবা শগোল কাংজৈ, অরাম্বাই অমসুং মোর্দন পোলোগী একজিবিসন মেচ অদুদা লমদমসিগী মীওই কয়ানা মীৎয়েং তাখি।

একজিবিসন মেচ উৎপগী থৌরমদুগা মরী লৈননা মণিপুরগী জগোয়, ঈশৈ অমদি থাঙ-তানচিংবা মশান্না কয়া উৎতুনা মীৎয়েং তারিবা কয়াগী পূক্নিং চিংশিনখি।

একজিবিসন মেচ অদু লমদমসিগী মশক নাইরবা পোলো শান্নরোয় কয়ানা শরুক য়াখি। থৌরমদুদা জেনরেল ওফিসর কম্মান্দিং ইন চীফ (জি ও সি) ইষ্টর্ন কম্মান্দ কোলকটা, লেফটিনেন্ট জেনরেল প্রবিন বক্সি, এ ভি এস এম ভি এস এমনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা জি ও সি থ্রি কোপস লেফটিনেন্ট জেনরেল অভে কৃষ্ণ, এ ভি এস এম ভি এস এম অমদি জি ও সি ৫৭ মাউন্টেন দিভিজন মেজর জেনরেল এস এস মিশ্রা ভি এস এমসু শরুক য়াখি।

পোলোগী একজিবিসন মেচ অদু হন্দক্তা মপান কাংজৈবুংদা লোইশিনখিবা ৫৭ মাউন্টেন দিভিজন পোলো টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর ওইখ্রবা ঈ এস সি নোংমৈবুং অমসুং রন্নর্স-অপ তাখ্রবা খুরাই পোলো ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা উৎখি।